# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মণিপুরদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী স্কিমদা, যোজনাদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ইকায়খুম্নজরবা কখোকপা অমগা লোয়ননা অনৌবা ইন্দিয়া অমা ওইহন্নবা পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টর মীং ওইনা পঞ্জরবদা শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক পায়রক্তুনা ইন্দিয়াদা লায়রবা, তোল্ল-তারবা অমদি চাওখৎপগী ৱাখল ৱাৎলিবা ইন্দিয়াগী মীয়াম্বু চাওখৎপা ওইহন্ননবগী পান্দমদা স্কিম অমদি যোজনা কয়া অমদি ওন্ত্রপ্রেন্যুর কয়া পুথোক্লবা পান্দমদা শেন্থং পীদুনা ত্রেদ কয়াদা ত্রেনিং পীদুনা হোৎনরক্লিবা কয়াসিনা ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়া থুংনা লৈরিবা তোল্ল-তারবা লায়রবা, থবক শুফম লৈত্রবা অমদি হিংনবগী পান্বে লৈজদ্রবা/লৈজদ্রবী কয়াদা নত্তনা লৌমী কয়াদসু শেন্থং পীদুনা ইন্দিয়া অসি অনৌবা মওং অমদা চাওখৎননবা কন্না হোৎনরক্লি।

মতম অসিদা মণিপুরদসু মমাঙদা চহী মঙা অমা বি জে পিনা লৈঙাক পায়খ্রে। ইকায়খুম্নজরিবা মীং ওইনা পঞ্জরবদা শ্রী বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা চীংদা চৎসি, খুঙ্গংদা চৎসি হায়দুনা শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা স্কিম অমদি যোজনা অমদি অতৈ তোল্ল-তারবা লায়রবা প্রজা কয়াগী য়াইফনবগীদমক্তা তৎতনা খুদোংচাবশিং অদু মণিপুরগী প্রজা কয়াদা চিথদনা ফংননবা শিল্লকখি। ইকায়খুম্নজরবা সী এমনা মণিপুরগীদমক কখোকপা অমগা লোয়ননা হোৎনবীরিবা থৌদাং অসিদা সেন্টরগী লৈঙাক্লা মণিপুরগী সী এমবু থাগৎপীখি। ঙসিসু অনীরক শুবা ওইনা মার্চ ২০২২দগী শ্রী বিরেননা লুচিংদুনা লৈঙাক অসি মখা তানা পায়বিরকপদগী চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লি। ঙসিদি মশানা খুঙ্গংদা চৎসি, চীংদা চৎসি, মীয়ামগী নুমিৎ হায়দুনা মশানা হোৎনজরম্বা অদু মণিপুরগী মীয়ামদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী স্কিম অমদি যোজনানচিংবশিং অদু দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সী অমদি অতৈ ওফিসল কয়াগা লোয়ননা মীয়ামগা উন্নহন্দুনা মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীয়ামগী অৱাৎ অপা কয়া ফংহন্ননবা পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোক্লখ্রে, খুদোংচাবা কয়াসু ফংহনবা হৌখ্রে।

অনৌবা লৈঙাক্কী স্কিম অমদি যোজনানচিংবা থোরক্লবসু ইকায়খুম্নজরবা মণিপুরগী সী এমনা মরী লৈনবা মিনিষ্টর কয়াগা খূৎশম্নদুনা হৌদোকপদা নত্তনা মরী লৈনবা মিনিষ্টর কয়াদা খূৎশিন্নদুনা চেকশিন্না থৱায় য়াওনা হৌদোকহনখ্রে। সেন্টরদগী মিনিষ্টর কয়াসু মরক মরক্তা লাক্তুনা চাওখৎ থৌরাং কয়াসু য়েংশিল্লি।

মতাং অসিদা তোল্লবনা থমজনীংলিবদি ইন্দিয়াগী স্কিম কয়া যোজনা কয়া অমদি মণিপুরগী সী এমগী হেল্থ কার্দ, লুখ্রাবীশিংগী তেংবাঙ, অহল ওইরবশিংগী পেন্সন, সেন্টরগী গ্যাসনচিংবা পীবগী থৌদাং অমদি অতৈ কয়া, রেসন কার্দ পায়বনচিংবদা চেঙ, দিসএবল্ড, য়ূম লৈজদবশিংদা য়ূম শাবা অমসুং ময়ূম মকৈ পাট্টা লৈজদবা মীওইশিং লৈরগসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ূম লৈজদবা কয়াদা য়ূম শাবীবগী স্কিম্নচিংবা অমদি লৌদি উরগা মশাগী লৌদি নত্তবা/মহাজন লৌপু ওইবগী লৌ উবশিং অমদি অশানবা য়ূমদা লৈরিবা য়ূম লৈজদবনচিংবা কয়াগী স্কিমনচিংবা অমদি থবক ফংদবা নহারোল কয়াদা পীরিবা অখন্নবা খুদোংচাবশিং ফনদি য়াম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী স্কিমশিং অসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক কখোক্লবা ইকায়খুম্নজরিবা সী এমনা চাদা ১০০ মক য়ৌদ্রগসু য়ারিবমখৈ মহাক্কী অঙন্বা থৌরাংনা মীয়ামগী নুমিৎ হৌজিক্কী দি সী/দি সীগী খূথাংদা হোৎনরিবা থৌরাং অসিদা শোয়দনা ফংহনবীনবা হোৎনবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

**অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্ম**

## মোংবা হনবা রোদ

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মুগল অমদি বৃটিশশিংনা ইন্দিয়াদা পানবা মতমদা ইন্দিয়াগী লম অয়াম্বা, মরু ওইবা মফম অমদি লম্বীশিং মুগলশিং, বৃটিশশিংগী মিংদা থোনজিন্দুনা মখোয় মখোয়গী লাইনীং, মপা মপুশিং কাউদনা নীংশিংদুনা লৈহৌনবা খুদম কয়া কয়া থম্লম্মি। মতমগী ইচেল ওল্লকপা, মতম ইমাগী য়াওল তুংইন্না এলাহাবাদনা প্রয়াগ রাজ, মুগল সরাই রেলৱে জঙ্কসননা পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যায় জঙ্কসন, মদ্রাজগী কোনুং মদ্রাজ অমদি বোম্বেগী কোনুং বোম্বে হায়রম্বদু লমদুগী পুয়াগী কাঙলোন মতুংইন্না টামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাই, মহারাষ্ট্রগী কোনুং মুম্বাই অদুগা কর্ণাটকাগী কোনুং বেঙ্গলোর খরা লৈরগা পুয়াগী পরম তুংইন্না বেঙ্গলুরু কৌখ্রবনি। মাগী মাগী লমদুগী অরিবা পুয়াগী লমাই ফাক্তোকউবদা পাখোং পুখোংগী পরমদা ইরম্মীবা/য়াওরম্মীবা চৎনবীশিংদুগী মতুংইন্না লমগী মমিং ওনবা, লম্বীগী মমিং নৌনা অমুক থোনবা কনা অমত্তনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখিদে।

মীতোপ মীয়ানগী মীংদা লৈরম্বদু লমদুগী মরমগী মীংদা ওনবদা ইন্দিয়াগী মনুংদা কনা অমত্তনা অয়েৎপা পীখিদে। চেন্নাই সিটিগী ময়োলদা লৈরিবা শাংলবা লম্বী বৃটিশনা মাউন্ট রোদ কৌরম্বদু মদ্রাজগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা অননাদুরাইগী মমিং লৌদুনা টামিল লোনদা অননা শলাই থোনখ্রবনি। সদর বজার, মেক্সৱেল বজার কৌরম্বদু পাওনা রোদ, থাঙ্গাল রোদ ওনখিবদা অয়েৎপা অমত্তা লৈখিদে। শান্তিদাস গোষাইগী মপা মপুশিং পোকত্রিঙৈদগী লৈরক্লবা মালেম লৈশেম নুংশেমঙৈদগী শাগোন্নরক্লবা মোংবা হনবা উমংলেননি। শান্তিদাস গোষাইগা লোয়নরকখিবা অমদি যু পি, বিহার, বেঙ্গলদগী চঙলকখিবা গোষাইগা ৱাখল্লোন মান্নবা মীয়ান অহল লমনশিংনা নিংথৌগা লৌতুনরগা শেংলবা মীতৈগী লাইফম মোংবা হনবা উমং লেনদা নম্ফুদা মহাবলি লাইশঙ শাখিবনি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবনি। মোংবা হনবা রোদ হায়না কৌবদা কনানসু য়ানীংদবা ফোঙদোকফম থোক্তে। সনা লৈবাক কংলৈপাকপু মণিপুর ওন্থোকখিবা লম্মাংদোং কৌরম্বদু বিষ্ণুপুর ওন্থোকখিবা মতম মতমদুগী য়াওলনি। অরিবা উরেন উশাদা অনৌবা য়েন্নিং চোংলকপদা অরিবা উনা (মনা) কেনখিবা মহৌশানি। মতম কৌবী পলেমনা মতম য়েংনা য়াকাইরক্লে, মতম কৌবী ইমানা অরিবা নৌনা খুন্থোক্লকপদা তাইবঙ কনানা থিংগদৌরি। মপুগী মাইয়োক লানফমদা তাইবঙ কনানা করি নথৌনা উৎকদৌরি।

**অদোমগী - লোংজম দেবদত্ত**

লম্ফেল সনাকৈথেল ওপোজিট এ জি কোলোনি, ইম্ফাল ৱেষ্ট

## ষ্টেটকী পাউ

## মণিপুরগী তুংগী লাইবক টুরিজমগী মখা পোল্লে : বিরেন...

*লামায় ১গী মখা...* কলচরেল সেন্টর অমসুং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা এম্যুজমেন্ট পার্কশিং পনবা য়াই হায়খি।

অথুবা মতমদা খাংখুই শুরুং অমসুং থারোন শুরুংদসু লম কোয়বশিং চঙদুনা য়েংহল্লগনি হায়বগা লোয়ননা টাটা গ্রুপকা পার্টনরশিপ ওইদুনা অরিবা হায় কোর্ট কমপ্লেক্সতা ফাইভ ষ্টার হোটেল অমসু শাগৎলি হায়না মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা শগোল কাংজৈবু হেন্না মশক থোকহন্নবা অমসুং শগোল কাংজৈ শান্নরোয়শিং অমদি পোনি য়োক্লিবশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাঙথোক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেল, ২০২২দা চীফ মিনিষ্টরস শগোল কাংজৈ টুর্নামেন্ট অমা শীন্দুনা পাঙথোল্লক্লগনি হায়খি।

মীয়াম্বু নুংঙাই য়াইফনা লৈহন্নবগীদমক মথৌ তাবা থবকশিং পাঙথোকপা হায়বসি লৈঙাক অসিগী থৌদাং ওইগদবনি হায়রদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হৌখিবা চহী মঙারোম অসিদা টুরিজম সেক্টর হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবগীদমক নোংথক অমসুং লৈমায়গী লম্বীশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা থবকশিং লৌখৎলক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা অৱাং নোংপোককী ষ্টেটশিং নৌহৌননা শেমদোরকপগা লোয়ননা মফমশিং অসি লৈবাক অসিগী খোঙজেল য়াঙনা চেল্লিবা ইঞ্জিনশিং ওইরক্লে হায়খি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা যুনিয়ন লৈঙাক্লা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনদা মথৌ পাঙথোক্লিবা ওল ইন্দিয়া সর্ভিসেস (আই এ এস) ওফিসরশিংগী স্পেসল এলারেন্সশিং লৌথোকখ্রে। মসিনা তাক্লিবদি ষ্টেটশিং অসিদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলে অমসুং রিজন অসিদা মহৌশাগী ঈং-চিকপগী শক্তম হঞ্জিল্লক্লে হায়বনি হায়খি।

থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগীদমক ৱর্ল্ড ক্লাসকী ত্রেনিং পীননবা সেমশুং কম্পেনিগা খূৎশম্নদুনা থবক লৌখৎপা হৌরে। অনৌবা থৌরাং অসিগী মখাদা ফুটবোল, বোক্সিং, জুদো, বেদমিন্টন, হোকি অমসুং আর্চরিনচিংবা মশান্নশিংগীদমক ভর্চ্যুএল ত্রেনিং জোন অমা অহানবা ফেজদা শেমগৎলগনি হায়খি।

অসিগুম্বা থৌরাং অসিনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংবু মালেমগী থাক্তা লৈরবা শান্নরোয়শিং ওইহনবদা অচৌবা মতেং পাংলগনি হায়খি।

ঙসিগী ৱর্ল্ড টুরিজম দেগী থৌরম অসিদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমার, টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদকী চেয়রমেন এম এল এ করাম শ্যাম, এম এল এ ৱাই রাধেশ্যাম, সাপম কুঞ্জকেশ্বর, এল দি এগী চেয়রমেন এম অশ্বনিকুমার, টুরিজম লোয়শঙগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিং অমসুং ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি। থৌরমগী মনুং চন্না মণিপুরগী য়েলহৌঙৈদগী লোয়নরক্লবা কলচরগী তোঙান তোঙানবা আইটেমশিংসু উৎখি।

অমরোমদা চীফ মিনিষ্টরনা ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা হৈবোংপোকপীগী থৱায় হৌ আর্টস এন্দ ইভেন্ট স্পেসতা পাঙথোকপা কলচরস কনেক্ট, ২০২২গী অহানবা এদিসনদসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা চহীসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেলদা ফোক ম্যুজিক ফেষ্টিবেল অসিসু মরু ওইবা শরুক অমা ওইনা য়াওল্লগনি হায়খি।

মণিপুরগী ফোক ম্যুজিক অমসুং তোঙান তোঙানবা পর্ফোর্মেন্সশিংদা শরুক য়ারক্লিবা মঙ্কা ময়াংলম্বমনা ষ্টেট অসিগী কলচর অমসুং ত্রেদিসনবু য়োক্তুনা হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মঙ্কা ময়াংলম্বমনা ইনখৎলক্লিবা আর্টিষ্টশিংদা ফোক ম্যুজিক তম্বীবগীদমক্তসু তৌবীমল খঙবা উৎলদুনা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা ফোক ম্যুজিকপু হিংহনবদা অচৌবা মতেং ওইরে হায়নসু শীংথাখি।

## সী আর পি এফ ১সুং অসাম রাইফলস বোম ...

*লামায় ১গী মখা...* নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুর (অন্সম) গী মীৎয়েং মখাদা শিনবনি।

খোঙচ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা সী আর পি এফকী পর্সনেল অমনা ৩৯-এ আরগা লৌতুনরগা নুংবা সব দিভিজনগী পুইলুৱন (কম্বিরোল) ভিলেজগী নাগা মীয়ামদা এটেক তৌনবা বোম ফুম্ননবা হোৎনরম্মী হায়না চার্জ তৌখি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা অন্সমগী জেনরেল সেক্রেটরি ইনো থোটসোনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা সী আর পি এফকী পর্সনেল অদুনা থবক অদু এ আরগী দিরেক্সন মখাদা পাঙথোকপনি অমসুং পুইলুৱন খুলগী মীয়ামগী ঈং-তপ্পা পুন্সি থুগাইনবা হোৎনখিবনি হায়বসু মশানা য়াজরে হায়খি।

নাগা মীয়ামগী মায়োক্তা অসিগুম্বা অরানবা লান্মীগী থবক থৌরমশিং ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগী লেপ্তুনা চথুরক্লিবা অসি য়াবা ঙল্লোই হায়খি।

নাগা ৱিমেন যুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ইলি অসাটনসু থৌদোক অদু ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সনা পুইলৱন খুলগী মীচমশিংগী মায়োক্তা চথুনবা থৌরাংলম্বা পাঙদবা অমসুং মীনুংশি য়াওদবগী থৌওংনি হায়খি।

ঈংনা-চিক্লা লৈরিবা খুল অসিদা অসিগুম্বা সিক্যুরিটি ফোর্সনি হায়জবশিংনা চথুরকপা 'ষ্টেট স্পোন্সর্দ টেররিজম' গী থৌওংশিংগী মায়োক্তা খুঞ্জা পূম্নমক্লা থৌনা ফনা লেপকদবনি হায়খি।

আর এন সী এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট অথান রোংমৈনসু ঙসিগী পেন্দবা ফোঙদোকপগী খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবা পূম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা অসাম রাইফলসকী টেরর পোলিসি অসিদগী মীৎ-না শীংনা লৈগদবনি হায়খি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি অনৌবা নত্তে হায়রদুনা অসাম রাইফলসনা মখোয়বু মথক থোংবশিংনা থাগৎপীনবগীদমক বোম প্লান্ট তৌনবা হোৎনরম্বনি। থৌদোক অসিনা হৌখিবা চহী ৪ অসিগী মনুংদা অসাম রাইফলসনা নুংবা এরিয়াদা বোম প্লান্ট তৌনবা হোৎনরম্বা মরিশুবা থৌদোকনি হায়খি।

চীংগী মীয়ামগী মরুপনি হায়রিবা অসাম রাইফলশিং অসি টেরর এক্সপার্ট অমসুং বোম প্লান্টিং এক্সপার্টশিংনি হায়বসি তাক্লে হায়খি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা সী আর পি এফ অমসুং অসাম রাইফলশিং অসি বোম প্লান্ট তৌবগী এক্সপার্টশিংনি অমসুং টেরর এক্সপার্টশিংনি হায়না ইবা প্লেকার্দশিং পায়খি। লোয়ননা মণিপুরগী নাগা তাবা মফম পূম্নমক্তগী অফস্পা, ১৯৫৮ লৌথোক্কদবনি হায়বা দিমান্দসু তৌখি।

অমরোমদা, থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা সী আর পি এফকী পর্সনেল অমসুং মহাক্কী কম্মান্দিং ওফিসর লোয়ননা ৩৯-এ আরগী পর্সনেলশিংগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথুদুনা মরালগী মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু অমসুং মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট পূম্নমক্তগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱর্স এক্ট (অফস্পা) লৌথোক্লবা যুনিয়ন লৈঙাক্তা তক্লবীয়ু হায়না যুথস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসনা ঙসি গভর্ণর লা গনেসনদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

## চহী ১দগী ১৯ ফাওবগী অঙাংশিংদা দিৱর্মিং টেব্লেট ...

*লামায় ১গী মখা...*অঙাংশিংদনা আশাশিং অমদি অঙ্গনৱাদি ৱার্কর/হেল্পরশিংনা টেব্লেট অসি পীজনবা হোৎনৈ হায়খি।

মণিপুরগী অঙাংশিং মশা মউ ফনা লৈহনসি হায়রবদি লূ নালহনবা মথৌ তাই। নিংথিনা চামথোক্তবা পোৎ চৈ চাশিনবনা হকচাংদা তিল লৈবগী মরম ওইরকই। মরম অদুনা ইশা ইশাগী লৈকায় অমদি ইমুংগী অঙাংশিংদা দিৱর্মিং টেব্লেট চারবা হায়না হংদোক্তুনা এৱ্যের্নেস পীগদবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. শসিকুমারনা অঙাংদা তিল লৈরগদি হায়র ফঙ্কসন ইন্সাইদ টু থিঙ্কিং অসি শোকহল্লি। তিল লৈবগা লৈতবগা মান্নদবগী মনুংদা তিল লৈবা অঙাংশিংদি ফিলোজোফিকেল ওইবা মওংদা পংথহল্লি। খৃষ্টিয়ন মিসনরিশিংনা ঙসিদগী চহী ৮০ রোমগী মমাঙদা পেসিফিক আইলেন্দদা মসিগী মতাংদা টেষ্ট তৌদুনা য়েংখ্রবনি হায়খি।

ইন্দিয়াদসু দিৱর্মিং প্রোগ্রাম অসি চথুরকপদগীদি অঙাংশিংদা মেথমেটিক্সকী লৌশিং হেনগৎলক্লে। তিল লৈরগদি চাশিল্লিবা ন্যুত্রিসনশিং অসি তিল অদুনা অমুক চাথোকখি হায়রি। তিল লৈবা অঙাংশিং তূম্বা য়াহন্দে। মখোয়দা লৈবা তিল মখলগী মতুংইন্না করিগুম্বা কান্দা খোইদৌদা নাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফাওহল্লি। খোইদৌ মখাদা লেংবা থিনবা অমসুং খোঙ হামনীংবা তৌহনবসু য়াওই। মরম অদুনা মখোয়না করিমত্তা তৌদ্রবসু পোত্থাফম খঙজদে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন এসকী দিরেক্টর এল নন্দকুমার, সোসল ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টর এন জি উত্তম অমদি এন ঐচ এম মণিপুরগী দিরেক্টর ডা. সোমোরজিৎ নিংঙোম্বমসু শরুক য়াখি।

## এ দি সীগী...

*লামায় ১গী মখা...*অমুক হন্না অইবা চেরোল পীশিনখিবনি। করিগুম্বা ঙসি পীশিনখিবা নুমিৎসিদগী থারগা নুমিৎ মঙানি ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্তুবদি মথংগী নুমিৎতগী মীয়ামগা পূন্না খোঙজংশিং চথুরগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## এস টি দি সী এম...

*লামায় ১গী মখা...* খোংবান মনীং লৈকায়দা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা য়েলহৌমী মীতৈ/মৈতৈ কনগদবনি, মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা রেকমেন্দেসন থাগদবনি অমসুং নো এস টি ষ্টেটস, নো রেল লাইন হায়না থাবা বেনর অমদি প্লেকার্দশিং শীজিন্নখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা এস টি দি সী এমগী যুথ ৱিংগী কনভিনর নামৈরাকপম এদিসন মীতৈনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফম ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না ওক্টোবর থাখায় ফাওবদি ৱাকৎ মীফম চথুবীয়ু। মতুং তারকপদদি মীয়ামগা তান্নরগা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু হায়খি।

## লমশাং কৈথেলদা ইন্দিয়ন বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ ১ ...

*লামায় ১গী মখা...* য়াম্না কান্নবনি হায়রদুনা লুপা লিশীং ৫০ লৌরগা মতম চানা শিংবা ঙল্লগদি লুপা লাখ ১দগীনা ৩ ফাওবা পীবা য়াই। অদুগা লোন লৌরগা মতম চানা শিংবনা বেঙ্ককী কান্নবসু হেন্না খঙবা ঙম্মী । লোন লৌরগা শিংবগী হৈনবীসু লৈবগা লোয়ননা বেঙ্কতগী খুদোংচাবশিং লৌহৌরসি হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা এম এল এ, এস রাজেননা বেঙ্ক অমা লৈবা হায়বসি মীয়ামদা কান্নবা পীননবনি। লৈঙাক্কী স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং বেঙ্ক নক্লা লৈরগদি ফংবা ঙমগনি হায়খি।

অখন্নবা মীথুং ওইখিবা ফিল্ড জেনরেল মেনেজর (গুৱাহাটি) রাজেসকুমারনসু বেঙ্কিংগী খুদোংচাবা লৌহৌরসি, সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ওইরবসু গাড়ী মচা নৎত্রগা রাইস মিলগী ওইরবসু লৌমী-শিন্নীশিংগী শিনফমদা মতেং ওইনবা লোনগী খুদোংচাবা বেঙ্কনা পীগনি হায়খি।

থৌরম অসিদা এম এল এ, এস কুঞ্জকেশ্বর অমসুং বেঙ্ক অসিগী জোনেল মেনেজর চন্দনেশ্বর গোশ্বামিসু শরুক য়াখি।

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৯.৮১°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৫.৯৯°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.০৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৫

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.415785 |
| US Dollar | 81.600754 |
| British Pound | 88.010785 |
| Australian Dollar | 52.855034 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.378162 |
| Japanese Yen | 0.565133 |
| Malaysian Ringgit | 17.697923 |
| Singapore Dollar | 56.795891 |
| South Korean Won | 0.057316 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.760201 |
| Thai Baht | 2.148295 |

## শিজ একাদেমিবু 'এ এম সী' ওইনা...

*লামায় ১গী মখা...* হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

প্রোগ্রাম অসিদা এদভর্স দ্রগ রিএক্সন্স (এ দি আর) গী মতাংদা শিজ একাদেমি ওফ হেল্থ সাইন্সেসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ফার্মাকোলোজিগী হেদ প্রোফেসর সুভলক্সমি অখাম, সিনিয়র রেসিদেন্ট ডা. নিরজকুমার শর্ম্মা মনোহরনা এ দি আরগী রিপোর্টিংগী মরু ওইবশিং শন্দোক্লা তাকখিবগা লোয়ননা পেসেন্টশিংগী সেফটি অমসুং হেল্থক্যের প্রোফেসনেলশিংগী থবক থৌরমশিং ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

রিমসকী ফার্মাকোভিজিলেন্স এসোসিএট ডা. নামৈরাকপম সুরজিৎনা এ দি আরশিং মতৌ করম্না রিপোর্ট তৌগনি অমসুং করম্না মসিগী ফোর্ম মেনশিনগনি হায়বগী মতাংদা তাকখি।

থৌরমগী মনুং চন্না শিজ একাদেমিগী ফার্মাকোলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ওইনাম জয়চন্দ্রনা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবশিংগী মরক্তা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকপগা লোয়ননা মেদিসিন অমসুং ভেক্সিন য়াওনা অতোপ্পা লম্শিংদগী থোকহল্লকপা সিরিয়স ওইবা নৎত্রগা ওইদবা অমসুং খঙবা নৎত্রগা খঙদবগী মতাংদা মতৌ করম্না রিপোর্ট তৌগদগে হায়বগী মতাংদা শন্দোক্লা তাক্লদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

থৌরম অসিদা একাদেমি অসিগী নর্স, পেরামেদিক্স, রেসিদেন্ট ডাক্তর অমসুং ফার্মাসিষ্টশিং য়াওনা ফেকলটি মেম্বরশিংগা পূন্না পার্টিসিপেন্ট ১৫০ রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

## যু লিগেলাইজ তৌবগী মায়োক্তা মীয়াম...

*লামায় ১গী মখা...* যু লিগেলাইজ তৌদুনা অফবা যু পীথক্কনি হায়রিবসি শেল পায়বা ফোরেন্নরশিং, বারদা শানৈ যুনৈবা ঙম্বা মীওই খরা নত্তনা হায়রিবা যু অসি কনানা থক্কনি। লোইজিং লোয়াদা লৈরিবা লায়রবা মীওইশিংদি হায়রিবা যু অদু থকপা ঙমদবনা হৌজিক্কী যু অসি অদুমক থক্তুনা পুন্সি কয়া পিখম্নখিগদৌরিবনি হায়খি।

হৌজিক ফংলিবা যুশিং অসি অফবনি নৎত্রগা ফত্তবনি হায়দুনা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা লৈখ্রবরা, ফেক্টরি/ইন্দষ্ট্রি কয়া অমা লিংলব্রা, ফুদ সেফটি দিপার্টমেন্টকী মখাদা অফবা যু করম্বনো হায়বা খঙহনবা লৈখ্রবরা, মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীখ্রবরা হায়বা ৱাহংশিংসু হংখি। লোয়ননা চিন্দনা অমা হায়বা, তৌবনা অমা তৌবা মণিপুর লৈঙাক্কী থৌশিল অসি থৌবাল ইমানা য়াবা ঙল্লোই। পোলিসি প্রোগ্রাম অমত্তা য়াত্তদনা যু লিগেলাইজ তৌনবা লাউথোকপা লৈঙাক্কী খোঙথাং হন্দোকপীয়ু হায়খি।

অমরোমদা, লৈঙাক্লা লৌখিবা যু য়োনবা অমদি শুংবগী অয়াবা পীনবগী ৱারেপ অদু হন্দোকউ হায়না দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থিনুঙ্গৈ কৈথেল সেদতা নুপীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

কাদাগী ময়ায় লোয়শঙগী মখাদা কাদা থিনুঙ্গৈ যুনিট অমদি থিনুঙ্গৈগী মৈরা পায়বীশিংনা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বী ক্ষেত্রিময়ূম মেম্মনা ফোঙদোকখিবদা যু য়োনবা অমদি শুংবগী অয়াবা লৈঙাক অসিনা পীরিবা অসি তুংগী মীরোল মাঙহন্নবা শিনবনি। ইমুং অমদা মীওই অমনা যু থকচিল্লগা ইমুং অদুদা লৈরিবা নুপী অঙাংদা ওৎ নৈবগী চৈনা খাঙবা মতম কুইরক্লে। লৈঙাক্লা চৈনা অদুবু কোকহনবীগদ্রা হায়রগা যু য়োনবা অমদি শুংবগী অয়াবা পীরিবসি লমদম অসিগী নহারোলশিংবু মাঙহল্লগে হায়রিব্রা হংলদুনা লৈঙাক্কী ৱারেপ হন্দোকপীয়ু। লমদম অসিদা যু য়োনবা অমদি শুংবা য়ারোই হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা মীওইবগী পুন্সিদগী রেভন্যুনা হেন্না লুব্রা হায়বা ৱাহং হংলদুনা লিগেলাইজ তৌবা য়ুদি হকচাং শোক্তব্রা অমসুং হায়জিনিক ওইব্রা হায়না থাবা প্লেকার্দ কয়াসু পায়খি।

অমরোমদা, হৈরোক্তা লৈবা নিংঙোল ক্লবকী শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট সোফিয়া খুন্দোংবমনা য়ুনা চাক্কী মহুৎ শিনবা য়ারবা অমগুম লমদমসিদা ইশানা পুথোকচবা ফৌথোক, চেঙথোক্লচিংবা তঙাইফদনা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম ফাওবা কোন্ননবা শিনবা ঙমদনা হিরম কয়াদা মপালদগী তাংদুনা হিংলিবা লমদমসিদা লৈঙাক্লা যু লিগেলাইজ তৌনবগী অয়াবা পীথোক্তুনা যু শুংবা/য়োনবা, মপান্দগী য়ুঙাং পুশিল্লক্তুনা লমদমসিদা মরাং কায়না য়োলহন্নবা হোৎনরিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়খ্রে।

মহাক্লা হায়, লৈঙাক্কী ঙাইহাক ঙাইহাক্কী খল্লকপা অমসুং তুং কোয়না চৎনবা য়ারোইদবা থৌশিল ওইবনা ৱারেপ অসি য়াবা ঙল্লোই। খুন্নাই অসিবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী মরু ওইনা য়ুগী ঈপাক্তা ঈরাক্লরগা মাঙহনখিনবা শিল্লব্রা হায়বগী চিংনবা ফাওই। মরমদি লৈঙাক অসি মীয়াম্না মীহুৎ খল্লগা শেম্বনি। লৈঙাক্লা মীয়ামগী খনবীবা ওইরগদি ৱার ওন দ্রগসকী খোঙজংদা য়ুসু য়াওফম থোকপনি। য়ুসু ময়াই কাবা চিঞ্জাকনি। ইল্লিগেল দ্রগনা থিংলগা য়ুনা ফ্রী থারবদি লৈঙাক্কী ৱার অসি উতোং অহোবদা ঈশিং হৈবগা মান্নরনি। মীয়ামগী খল্লগা অমসুং হকচাংগী খল্লগা লিগেলাইজ তৌবা মাল্লক্ত্রে। মী খরগী লল্লোন ইতিক নুংঙাইনবা অমসুং ফুরিৎখাও চোন্নবা খুন্নাই মাঙলবসু ঐ শেল পায়রগা লোইরে হায়বা ৱাখল্লোন্দা থবক অসি পায়খৎলকপা মাল্লক্লে হায়খি।

লৈঙাক্লা লমদমসিগী নুপী অঙাংশিংগী খনবীরবদি যু থিংবা ঙমদ্রে, লিগেলাইজেসন তৌরগনি হায়বগী মহুত্তা প্রোহিবিসন এক্ট অসি হেন্না মপাঙ্গল কলহনবীনবা থবক পায়খৎপীয়ু। ঐখোয়গী ইমা ইবেলশিংনা চেন চোংজদুনা সী এস ও অমসুং কাদানচিংবা লূপ কয়াগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং কয়া অসিসু লৈঙাক্কী মতেং পাংবনি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগস হেন্না মায় পাকপা অমদি প্রোহিবিসন এক্ট অসি মপাঙ্গল কলহনবীগে হায়রবদি যু থিংবা ঙমদ্রে হায়রিবা অসি ঙম্নবা মীয়াম/সী এস ও/মৈরা পায়বী ইমা লূপ কয়াগা লৈঙাক্লা পূন্না খূৎশম্নরগা চঙশিনমিন্নরবদি মণিপুরদগী যু য়াওনা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং মরূ ফংনা মূথৎপা ঙমগনি হায়খি।

লৈঙাক্লা মীয়ামগী খনবীরবদি মখল অমত্তগী ময়াই কাবা পোৎলমশিং লিগেলাইজ তৌবীগনু। মসিগী মহুত্তা লিগেলাইজ তৌদ্রিঙৈদা লৈঙাক্কী ওইবা হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্তুনা মীয়াম তান্নমিন্নদুনা মমুৎ তানা নৈনমীন্নরবা মতুংদা অফ-ফত্ত খঙমিন্নরগা লৈঙাক্কী ফিরেপ লৌবীবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। মসি নত্তদনা লৈঙাক্কী ফিরেপ হোংদোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লবা শেম শারগনি হায়খি।

## ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী শিৎ নানবা লম্বীদা...

*লামায় ১গী মখা...* ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল খরগীনা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন, মণিপুরনা ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোলশিং ফোঙনবগী পীখিবা নুমিৎ (সেপ্টেম্বর ২৩, ২০২২) অসিদগী হেন্দোরক্লগা ঙসি ফোঙনবা খরসু য়াওরে হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওইনদি কাউন্সিল অসিগী ঈ আর ওগী মায়কৈদগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন, মণিপুরনা পীরকপা ইন্সত্রক্সন অসিগী মতুংইন্না কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ নম্বর ১দগী ১৮ ফাওবগী ওইনা ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোল ফোঙগদবা নুমিৎমক্তদা চপ চানা ফোঙদোকখি হায়রি।

যু এল বি ২৭ অসিগী মনুংদা মতম চানা ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোল ফোঙখিবা অমসুং নুমিৎ খরনি চোন্থরক্লবসু ঙসি ফোঙনখ্রবশিংগীদি মরী লৈনবা মীয়ামগী মায়কৈদগী ক্লেম অমসুং ওবজেক্সননচিংবা ফাইল তৌনবা হৌনখ্রে। অদুবু অতোপ্পা যু এল বিশিংগীদি ফোঙনরে হায়দুনা ঙসিসু লম্ফেলপাৎতা লৈবা থোংখোং লক্সমি বজার ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং ৱাঙ্গৈই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীসু মীয়াম্না ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোলশিং য়েংজগে হায়দুনা লাক্লখিবদা ফোঙলমদবদগী য়েংবা ফংনখিদ্রে। মতম চানা ফোঙদবগী মথক্তা কাউন্সিল অনীসিগী ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোল করম্বা মতমদা ফোঙগদগে হায়না হংলুবদসু চপ চাবা মতম পীরকখিদে হায়রি।

মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না ফাওবা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা যু এল বিশিং অসিগী মীখল চৎলিবা চহী অসি লোইশিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা পাঙথোক্লনবা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন, মণিপুরনা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলক্লগসু যু এল বি খরগী ঈ আর ও/এস দি ও খরনা খুরৌ থাংবা য়াওগদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং চোঙথোরক্লে।

পনবা য়াবদি, মতম লোইখ্রবা আই এম সী য়াওনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিং অমসুং নগর পঞ্চায়টশিংগা পূন্না যু এল বি ২৭কী টর্ম লোইথোকখিবদগী আই এম সীগীনা এদমিনিষ্ট্রেটরশিং থেঙ্খাং অহুল্লক্তা হাপ্তুনা কোর্পোরেসন অসিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকহল্লকখিবদা নত্তনা নগর পঞ্চায়ট অমসুং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংগীনা ক্যেরটেকর চেয়রপর্সনশিং ফাওবা হাপ্তুনা থবক তৌহল্লকখিবনি। অদুবু মীখল অসি অথুবা মতমদা পাঙথোল্লগনি হায়বগী থৌরাং তৌরকপগা লোয়ননা থা অসিগী ১দা মাহুদ লোয়শঙনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না অপূনবা যু এল বি ২৭কী ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (মাহুদ) পু এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা থবক পুহল্লকখিবনি। মহাক্লা যু এল বিশিং অসিগী মীখল পাঙথোক্তুনা অনৌবা কাউন্সিলশিং শেমদ্রিবা ফাওবদি যু এল বিশিং অসিগী থবক থৌরমশিং পুগদৌরিবনি।

অদুম ওইনমক ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন, মণিপুরনা যু এল বিশিং অসিগী মীখল পাঙথোক্লবগীদমক লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা খুরৌ চেনবগী থৌদৌ য়াওহল্লক্কদৌরিবা ফীভম অসিগী মরী লৈনরিবা মাহুদ লোয়শঙ অমসুং হকথেংননা থৌরাং লৌখৎলিবা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন, মণিপুরগী মায়কৈদগী অকনবা থবক লৌখৎহৌবা চুমগনি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।